**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14.04.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ থাদগদবা নুমিৎ ৫ নিদা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

২) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহ্ হয়েং ইম্ফালদা লাক্কুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোল্লগনি।

৩) মোইরাংদা অজাদ হিন্দ ফৌজনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংখিবগী কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) বি.জে.পিগী মীখলগী মেনিফেষ্টো- সঙ্কল্প পত্র ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদ্বাটরসতা পুথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ভারত সংবিধান শেল্লম্বা ডাঃ ভিমরাও অম্বেদকরগী মপোক কুমওন নুমিৎতা ঙসি লৈবাক অসিনা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি।

------

কেম্পেন (এল)ঃ মণিপুরদা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ থাদগদবা নুমিৎ ৫ নিদা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহ্ হয়েং ইম্ফালদা লাক্কুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোল্লগনি। শ্রী সাহ্ নোংমগী ওইবা খোঙচৎতা ইন্নর

মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরিবা থৌনাউজম বসন্তকুমারগী ভোৎ খোমবগীদমক ত্রিপুরাদগী ইম্ফালদা থুংলগনি।

মহাকা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াগনি। মদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবী, দলগী লুচিংবশিং অমদি কারিয়াকার্তা কয়াসু শরুক য়াগনি।

তুংদা, শ্রী সাহনা ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থম্বাল শঙলেনদা শাবা ওফিস অমা শঙ্গাগনি।

অমরোমদা, আর.পি.আই (অথাৱালে)গী মীরেপ ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাউজমগী কৈশামপাৎতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- মমাং চহিগী মে অহুমদা লমদম অসিদা হৌরকখিবা ইরাং ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা মতম খরা ইরাং লেপলে, শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়না হরাওনরম্লগা খঙহৌদনা নোংম নিনিসিদা নোংমৈ কাপবা, অশোক অপন য়াওনরকিবা অসিদা মহাকা নুংঙাইতবসু ফোংদোক্লি।

ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মীরেপ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা অসি মপানদগী চংশিল্লক্লিবা মীওইশিং অসি খক্তনা নত্তনা মশাগী ওইজবা খক্তমক থিবা মীওইশিংগা য়াওনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ।

লম্লাই কেন্দ্রদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীয়ামগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী বিমোনা হায়- লমদম অসি কন্নবা হোৎনবদা ইমা লৈবাকপু নুংশিদবা মীওইশিং মশক খঙদোকপা তঙাইফদে। হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি লাঞ্জেনখ্রবশিং অসিনা মশা মশাগী য়ুমদা অমদি মরমদমদা হঞ্জিনদুনা নিংথিনা লৈবা ঙমদ্রিবা ফাওবা লোইরে, শান্তি লৈরে হায়বা য়ারোই।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী এন.দি.এগী মীরেপ ওইরিবা কচুই ত্রিমোথি জিমিক্কী মীখলগী কেম্পেন ঙসি ককচিং জিলাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা এন.পি.এফকী মীরেপ ত্রিমোথি জিমিকনা হায়- মণিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক শান্তি ওইনা লৈহন্নিংই। শান্তি লৈরবা মতমদতা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। মহাকা হায়- তম্পাক্কী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা সংবিধান হক মপুংফানা লৈহন্দবা অসি লাইবক থিবনি। মসি চুমথোকবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ইন্দিয়া (এল)ঃ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ামা মরুওইবা মীখল অমনি হায়না ইন্দয়ান নেসনেল দিভলপমেন্ট ইনক্লুসিপ এল্লায়েন্স (ইন্দিয়া) ব্লোক, মণিপুরগী কনভেন্নর ক্ষেত্রিমযুম শান্তনা ফোংদোক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি. রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ক্ষেত্রিমযুম শান্তনা হায়- ভারত্তা শেঞ্জা থুমজা মুখৎনবা ইন্দয়া ব্লোকনা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুং চন্না হন্দক্কী মীখল অসি শেঞ্জা থুমজা য়াওদবা মীখল ওইহন্নবা ৱারেপ লৌরে। লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা কেম্পেন চত্থবদা ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরিবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরকপসি লাইবক থিবনি হায়নসু মহাকা হায়রি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শিব সেনা (য়ু.বি.টি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট টোইজম দেবানন্দনা হৌখিবা এপ্রিল ১২ দা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা মহাক্কী য়ুমদা লাক্কুনা ভোৎকী থবক থৌরমশিং য়াওবা য়ারোই হায়না কিহল্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হায়- মীখল অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী মাইকৈদগী অকাইবা তৌখিবা লৈতে। য়ানিংদবা লৈরবসু ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা কোকহনবা য়াই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ইলেক্সন (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং অমসুং খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদনবা ফেসিলিতেসন সেন্তরশিং হাংদোক্লে। হৈঙাং অমসুং খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ফেসিলিতেসন সেন্তরশিং অদু কেন্দ্র অনি অসিগী এসিষ্টেন্ট রির্টনিং ওফিসারগী ওফিস অমসুং পোরোমপাৎতা লৈবা দি.সি ওফিসকী জিলা পরিষদ বিল্ডিংগী ফার্ষ্ট ফ্লোরদা হাংদোক্কুনা থমলে। পোষ্টেল বেল্লোটকীদমক চে থাখিবা ভোতরশিংনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৯ দগী ৫ ফাওবা মফমশিং অসিদা খুদোংচাবা অসি লৌনবা হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইসেন্সিয়েল সার্ভিস কেটগোরিগী মনুং চনবা এবসেন্তি ভোতরশিংনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবগী অয়ুক পুং ৯ দগী ৫ ফাওবা পঞ্চায়ট ভবন, দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স পোরোমপাৎতা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদবা য়াগনি হায়না জিলা অসিগী দি.ই.ওনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

প্রোহিবিসন (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পোল্লিং এরিয়াশিংদা য়ু অমদি অতৈ নিশাশিং য়োনবা থিংলে। হায়রিবা অথিংবা অসি এপ্রিল ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী হৌরগা ভোৎ থাদনবা লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়রি।

ভোতিং (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা চহি ৮৫ অমদি মসিগী মথক অমসুং য়ামদ্রবদা চাদা ৪০ দিসএবল ওইরবা ভোতরশিং য়ুম য়ুমদা ভোৎ থাদনবা ঙসিদগী হৌখ্রে। পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংনা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং য়াওনা অসিগুম্বা ভোতরশিংগী য়ুম য়ুমদা চত্তুনা ভোৎ থাদহনবগী অহানবা রাউন্দ হয়েং ফাওবা চত্থগনি। অদুগা অনিসুবা রাউন্দদা চিৎথহৌবা ভোতরশিং থা অসিগী ১৬ তা ভোৎ থাদহনগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা অসিগুম্বা ভোতর পুন্না লিশিং ১,৯৯৭ লৈ।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ লাক্লিবা মীখল অসিদা বিষ্ণুপুর জিলাদা মথৌ তৌগদবা প্রিসাইদিং ওফিসার, পি.ও-ৱান, পি.ও-টু অমসুং পি.ও-থ্রিগী অরোইবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং হয়েং অমসুং হংচিৎ পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপ্‌রনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়- ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা শেমখিবা কাংলুপশিংগী ত্রেনিং তৌফম অমদি মতমদা অহোংবা লৈরোই। অদুমওইনমক, কুম্বি অমসুং থাঙ্গ কেন্দ্রগী নুপী পার্সোনেলশিংগী ওইনদি এপ্রিল ১৬ তা সি.আই কলেজ বিষ্ণুপুরগী হোল নম্বর থ্রিদা অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগনি হায়রি।

আইএনএ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা অজাদ হিন্দ ফৌজনা নীংতম্লবা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংখিবগী ৮০ শুবা কুমওন থৌরম আই.এন.এ মার্তিয়র্স মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স মোইরাংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী আই.এন.এন ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাং অমসুং আই.এন.এ লোকেল এদভাইজরি কমিতি মোইরাংনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর- প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ, আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহ, লেফটনেন্ট জেনেরেল এল. নিসিকান্ট সিংহ (রিটায়ার্দ) অমসুং মোইরাং কলেজগী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল এ. শরতচন্দ্র শর্ম্মা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বেন্দ পার্তি অমনা বেন্দ দিসপ্লে উৎখি। থৌরম অসিগী মতাংদা আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরিগী কিউরেতর ডাঃ এল. সাধনা দেবীনা হায়- ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল মোইরাংদা ইহান হান্না পাইহনখিবগা মরী লৈননা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মখোয়না কৎথোক্লবশিংগীদমক ইকায় খুমশি, মখোয়গী

ৱাখল্লোন্না পুকিং থৌগৎলম্বা, মখোয়না পামজরম্বশিং য়োকখৎপা হায়বা হিরমদা নেতাজি অমসুং ভারতকী নিংতম ইহৌগী মতাংদা ফোটো একজিবিসন অমা উৎখি। মদুদা আই.এন.এনা মোইরাংদা ফিরাল চিংখৎপা অদুদা য়াওখিবা মণিপুরী মচাশিংগী ফোটোশিংসু য়াওরি।

দাইমন্দ (এল)ঃ খুরাই কলা বিদ্যা ভবনগী চহি অমা চুপা চথুগদবা হিরা ফুদোংবা (দাইমন্দ জ্বিলি) পালন থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে। পালন থৌরম অসি মথং চহিগী এপ্রিল ১৩ দা লোইশিনগনি।

প্রাইজ (এল)ঃ অলহজ মৌলানা অবদুল অজিজ অমির ই তাব্লিক জমাট মণিপুর মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ইংলিস গ্রামার টেলেন্ট হন্ট পরিক্ষাগী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে। স্কুল ৫০ গী মহৈরোই ৫০০ হেনবনা শরুক য়াখিবা কম্পিতিসন অদুদা ঐচ.আর ইদুকেসন মিসন লিলোংনা খ্বাইদগী মনা মশিং য়ামা ফংখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা হফিজ মহামদ রাফিউলানা হায়- অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মতমগা চুনবা শিক্ষা পীবতা নত্তনা লমচৎ শাজৎ শেমগৎপসু তঙাইফদে। মহাকা হায়- নহারোলশিংদা খুনাইগী ওইবা ৱাখল্লোনসু চেলহন্নবা হোৎনগদবনি।

বিজেপি ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা দলগী মেনিফেষ্টো- সঙ্কল্প পত্র ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা পুথোকখ্রে। মেনিফেষ্টো অসিদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ অমদি ৱান নেসন ৱান ইলেক্সনগা লোয়ননা সিঙ্গল ইলেক্তোরেল রোল লৈহনবগী ৱাফম য়াওরি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, দলগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং- রাজনাথ সিংহ, অমিত সাহ অমসুং নিরমালা সিতারমনসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

পি.এম. গরিব কল্যান অন্ন য়োজনাগী মখাদা লাক্লিবা চহি মঙা অমগসু লেমা চেং পীবগী ৱাফম অমসুং আয়ুসমান ভারত য়োজনানা সেনিয়র

সিতিজিনবুসু কোনশিনবগী ৱাফম সঙ্কল্প পত্র অদুদা য়াওরি। পি.এম. শুরয়া ঘর য়োজনাগী মখাদা মৈগী খাজনা লৌদবগা লোয়ননা খুঙ্গংগী নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীগনি হায়নসু সঙ্কল্প পত্র অদুদা ফোংদোক্লি। লৈবাক অসিবু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অহুমসুবা ইকোনোমি অমসুং মালেমগী ওইবা মেন্যুফেকচরিং হব অমা ওইহনগনি হায়নসু দল অসিনা ৱাশক্লি।

মসিগী মেনিফেষ্টোদা বি.জে.পিনা হায়রি-থাদা এষ্ট্রোনোথ থাগৎতুনা অহানবা হ্যুমেন স্পেচ ফ্লাইট মিসন গগনয়ান পাঙথোক্কনি। ভারতিয়া অন্তরিক্সা ষ্টেসন শেমগৎতুনা লৈবাক অসিগী অনিসুবা লোঞ্চ কমপ্লেক্স থবক হৌহনগনি হায়নসু মদুদা পল্লি। অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্তি লৈহন্নবগী মতাংদা বি.জে.পিনা মসিগী সঙ্কল্প পত্রদা হায়- অফস্পা তাঙ্কক নাইনা লোথোক বা অমসুং দিষ্টৰ্ব এরিয়াদা থেংনরিবা সমস্যশিং কোকহন্নবা থবক পায়খৎকনি। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী সিমানাগী চয়েৎনবা কয়া কোকহন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়নসু দল অসিনা ৱাশক্লি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- দল অসিনা ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন চৎউনহন্নবা থবক পায়খৎকনি। শ্রী মোদিনা হায়- সঙ্কল্প পত্র অসিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবগী মরুওইবা যুম্বী মরি ওইরিবা- নহারোলশিং, নুপীশিং, লৌমীশিং অমসুং লাইরবশিংদা অহেনবা শক্তি পীগনি। মহাকা হায়- সঙ্কল্প পত্র অসিনা ইজৎ লৈনা মগুন লৈবা পুন্সি অমা হিংহন্নবগী লমদসু অকনবা মীৎয়েং চংলি। শ্রী মোদিনা হায়- চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা সেনিয়র সিতিজনশিং অমসুং ট্রান্সজেন্দরশিং আয়ুসমান ভারত য়োজনানা কোনশিনহন্নবা দল অসিনা ৱারেপ লৌরে।

মরক অসিদা, বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো অসি ওইদবা কয়ানা থল্লবা ৱারোলনি হায়না কংগ্রেসনা মরাল শিরি। নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দলগী লুচিংবা সুপ্রিয়া শ্রিনাতেনা হায়- দল অসিগী মেনিফেষ্টোদা থবক পীনবা থৌরাং তৌবগী ৱাফম য়াওদে। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো অসিদা এম.এস.পিগী লিগেল গেরেন্তি অমসুং ইনফ্লেসন হন্থহনবনচিংবা ৱাফমশিংগী মতাংদা পনদে।

মীখল ঃ    রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনবগা লোয়ননা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। অহানবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৪ গী লোক সভা সিট ১০২, সিক্কিম অমদি অরুনাচল প্রদেশ বিধান সভা মীখলগা লোয়ননা থা অসিগী ১৯ দা ভোৎ থাদনগনি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মধ্য প্রদেশকী নরমদাপুরম লোক সভা কেন্দ্রদা মীখলগী মীতিনদা দলগী ভোৎ খোমখি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেসু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মহরাষ্ট্রগী নাগপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। মদুগী মমাংদা শ্রী খরগেনা দিকসা ভুমিদা চত্তুনা ডাঃ বাবা সাহেব অম্বেদকরগী মকোপ কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু ভান্দারা জিলাগী সাকোলিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি।

অম্বেদকর ঃ    ভারত সংবিধান শেল্লম্বা ডাঃ ভিমরাও অম্বেদকরগী মপোক কুমওন নুমিৎতা ঙসি লৈবাক অসিনা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ডাঃ অম্বেদকরগী মুর্তিদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মখোয়না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেলসু পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- খুন্নাইদা অওনবা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বাবা সাহেব অম্বেদকরনা লৈবাক অসিগী ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা থবক কয়া তৌরম্মী।    শ্রী ধনখরনা মীয়ামদা ডাঃ অম্বেদকরগী ফিদম লৌদুনা মহাক্কী খুদুং ইন্নবা হায়রি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ডাঃ অম্বেদকরগী ৱাখল্লোন মাংলোমদা চংশিনহনবগা লোয়ননা ভারতকী অনৌবা শক্তম অসি ঙসিদি পুমতোপ তোপ্পা অমা ওইরে।

দিআরদিও ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) অমসুং ভারত লান্মীনা পুন্না লৈবাক অসিনা শাজবা মেন পোর্টেবল এন্তি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল ৱিপন সিষ্টেম মায় পাকা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে।

চাংয়েং অদু ঙরাং রাজস্থানগী পোখ্রানদা লৈবা ফিল্ড ফয়ারিং রেঞ্জদা পাঙথোকখি। এন্তি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল অসিদা অহিং নুংথিল অনিমক্তা এটেক তৌবগী শক্তি লৈবা অমসুং মতম অসিগী ওইবা আর্মর প্রোটেক্তেদ মেইন বেত্তল টেঙ্ক মায়থিবা পীবা ঙম্বা খুৎশু খুৎলায় য়াওরি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটতা হৌজিক মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা চেন্নাই সুপর কিংসকা শান্নরি। ঙসিগী অহানবা মেটচ কোলকাতা নাইট রাইদরসকা লখনৌ সুপর জাইন্টসকা কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ককচিংগী দি.এস.এ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসিগী মেটচতা দ এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা, ৱাই.ও.এস.সিনা নাকোবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং লিৱা চনিং য়ুথ কলচরেল ক্লব পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

বাস্কেট বোল (এল)ঃ মণিপুর বাস্কেট বোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ব্রাহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা চত্থরিবা ১৪ শুবা ষ্টেট জ্‌নিয়র বাস্কেট বোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চান্দেলনা নেতাবু পাঞ্জল ২২-১৫ দা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা মোদেল ক্লবনা কোকিল বোনবু পাঞ্জল ৬২-৩৫ দা, সি.ৱাই.এল.সিনা ৱাই.ও.এস.সিবু ৫৬-২৮ দা অমসুং এল.এম.ৱাই.ভি.এনা কোকিল বোনবু পাঞ্জল ৬৪-৪৭ তা থোইখি।

------